# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 42, Issue No.136 | য়ুমশকৈশা, ইঙেন ২৬/২৭ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, Wednesday, August 08, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিগী মেম্বর খল্লবা হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমবু এম পি সী সীগী ওফিসতা তরাম্না ওকপা থৌরমগী শক্তম



লামায় ১

দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলুমস এন্দ টেক্সটাইলসনা শীন্দুনা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী হোলদা পাঙথোকপা নেসনল হেন্দলুমস দে



লামায় ১

এন আই এগী দিরেক্তর জেনরেল যোগেশ চন্দর মোদিনা ইম্ফালগী লম্ফেলপাৎতা নৌনা শাবা এজেন্সি অসিগী ওফিস শঙ্গাবগী শক্তম



লামায় ৩

কোলিসন ফোর ইন্দিজিনস রাইট কেম্পেন (সির্কা)না সনা কোনুংদা পাখংবগী পাফল তোংবা ফিরাল রিলিজ তৌবা থৌরমগী শক্তম



লামায় ৫

## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৫.১৯
দীজল : লিটরদা লুপা ৬৬.৫৯

## ডো. টি মৈন্যনা পুখৎপা এদজোর্নমেন্ট মোসন লৌখিদ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ : ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম পি দোক্তর থোকচোম মৈন্যনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম)গী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাংদা এদজোর্নমেন্ট মোসন অমা লোক সভাদা পুখৎখ্রে।

হাওসকী বিজিনেস এদজোর্ন তৌনবা মোসন পুখৎলদুনা দাক্তর মৈন্যনা হায়খি, কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম)না ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখ্রবা মতুংদা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা ইন্দো-নাগা পিছ তোক্কী অরোইবা তানফম য়ৌশিল্লক্লে অমসুং অথুবা মতমদা ফাইনেল এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

এগ্রিমেন্ট অদুদা কন্সটিট্যুন্সিগী আর্টিকল ৩৭১ (এ) নাগালেন্দগা থংনরিবা ষ্টেটশিংদসু চৎনহন্নবগী ৱাফম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৮.৪৬ °C | ২২.৯৭ °C |
| চান্দেল | ৩১.৭৮ °C | ১৮.৬৪ °C |
| সীসীপুর | ২৯.৭২ °C | ২০.৯৯ °C |
| ইম্ফাল | ২৭.৪১ °C | ২২.০৩ °C |
| সেনাপতি | ২৮.১৭ °C | ১৬.৭২ °C |
| তমেংলোং | ৩১.৯১ °C | ২০.৭৩ °C |
| থৌবাল | ২৭.৭৯ °C | ২১.৫৩ °C |
| উখ্রুল | ২৪.১১ °C | ১৬.৫৩ °C |
| মণিপুর | ৩১.৯১ °C | ১৬.৫৩ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.১৭ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৫
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 79.671732 |
| US Dollar | 68.692057 |
| British Pound | 89.009025 |
| Australian Dollar | 51.075149 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.062582 |
| Japanese Yen | 0.617882 |
| Malaysian Ringgit | 16.866889 |
| Norwegian Krone | 8.383120 |
| Singapore Dollar | 50.343691 |
| South Korean Won | 0.061290 |
| Swedish Krona | 7.713778 |
| Turkish Lira | 12.908935 |
| Myanmar Kyat | 0.04683 |
| Bangladesh Taka | 0.81367 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 30245.99 |
| Mumbai | – | Rs 31144.39 |
| Delhi | – | Rs 30855.61 |
| Kolkata | – | Rs 31122.99 |

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## HL POLL

Q : Manipurgi fake encounter ni haiba case pumnamak CBI na court ta cheirak pi-hanba ngamgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : MU hanghallu hai-ba demanda chatkhi-ba wakat khongchat-na MU hanghanba ngamgani khanbra?

Yes 18% No 82%

## অস! লোইরেহে!

ছুটিদা লৈবা পান্দেনা ওফিসল ভিজিট চৎপা য়াব্রা...?





নথৌরো, রেল্লি চৎতৌবা অদুম চৎলু!

ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিনা মণিপুরগী মীয়ামদা নমথাক তৌরব্রা ?

# ছুটি পীখ্রবা এ পি পান্দে সেন্ট জোসেফ কোলেজ য়েংশিনবদা শরুক য়ারম্লে



### এম য়ুদা থিকা তৌবা এম এল এশিংগী মিং লাউথোক্লগনি : মুসু

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর অদ্য প্রসাদ পান্দে নুমিৎ ৩০ নিগী ছুটি পীখ্রে হায়না থা অসিগী ২ দা য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেজিষ্ট্রার ইন-চার্জ প্রো. এম শ্যামকেশোনা চেরোল অমা থোকখ্রবা মতুং থা অসিগী ৬ তা নাগালেন্দগী জখামাদা লৈবা সেন্ট জোসেফ কোলেজ য়েংশিনবা য়ু জি সীগী টিমগী মকোক ওইনা শরুক য়াখ্রে হায়না এজেন্সীগী পাউনা হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ছুটিদা লৈরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর, প্রো. এ পি পান্দেনা লুচিংবা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু জি সী)গী টিম অমনা থা অসিগী ৫ দগী ৬ ফাওবা নাগালেন্দগী জখামাদা লৈবা সেন্ট জোসেফ'স কোলেজ (এস জে সী) দা ইন্সপেক্সন চৎখ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টগী য়াথং লৌরবা তুংদা নুমিৎ ৩০ নি ছুটি পীখিবা নুমিৎতগী মহাক য়ুনিভর্সিটি অসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরম অমত্তা তৌবা য়াদ্রবনি। অদুগা মহাক্না কমদৌনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভি সীগী মমিং লৌরগা য়ু জি সীগী টিম অদুদা চেয়রমেন ওইনা শরুক য়াখিবনো হায়বা মীয়াম পুন্নমক ঙক্নরে।

অনৌবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা সী পি আই (এম) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বি জে পিগী মায়খুম হৌজিক্তি শবাক ফাক্লে। মীনমদুনা মীয়ামগী রেল্লি শিল্লগা শোমদনা এ পি পান্দে ছুটি লৌরমদ্রে। অসুক চাওবা মীনম্বা অসি ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট অনীনা পান্দেগা তানরগা করম্না তৌরিবনো হায়বা ৱাহং লাক্লে। হৌজিক্তি সী পি এমনা মসিগা ৱাখল মান্নবা পার্টিশিং, লন্নাই লূপশিং অমসুং মীয়ামগা পূন্দুনা য়ুনিভর্সিটি কন্নবগী খোঙজং চঙশিন্নবা শিল্লগনি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচর এসোসিএসন (মুটা)গী য়ুনিভর্সিটি অসিদা লৈবা ওফিসতা পাউমীশিং উনবদা মুটাগী ৱাঙাংলোয় প্রো. দেবানন্দনা হায়খি, এম য়ুগী ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা কম্মিসন ওফ ইনক্বারি এক্ট, ১৯৫২গী মতুংইন্না হায় পাৱর কম্মিটি নৎত্রগা কম্মিসন অমা শেমদুনা থিজিনহন্নবা দিমান্দ তৌরিঙৈগী চৈরক অসিদা ছুটি পীখ্রে হায়রিবা ভি সী পান্দেনা কমদৌনা নাগালেন্দদা কোলেজ ইন্সপেক্সন য়াওরম্বনো? অমরোমদা, ভি সী ইন-চার্জ ওইরিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট- মিনিষ্টর ৩ গী

# ময়ুম অমদি ক্বার্টরদা থোমজিনখ্রে

### ফুরুপ অমগী য়েংলগা থবক তৌরবদি অকায়বা লাক্কনি : ইবোবী

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস) :

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হল্লকপা য়ারোই হায়না য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) না শীন্দুনা মণিপুর লৈঙাক্কী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমার, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমার অমদি ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎকী ক্বার্টর অমদি য়ুমনচিংবদা থোমজিন্দুনা খোল্লাউ কয়া লাউখ্রে অমদি মেমোরেন্দমনচিংবা পীশিনখ্রে।



অমরোমদা, ফুরুপ কয়ানা পূন্না খুন্দা-মিন্নরিবা লমদম অসিদা ফুরুপ অমখক্কী য়েংলগা তোখায় তানবা শিল্লক্লবদি অকায়বা লাক্কনি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর এম এল এশিংগী য়ূমদা থোমজিনবগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা অহানবা ওইনা তোঙান তোঙানবা লূপকী নুপী লুচিংবশিং য়াওনা নাওরেমথোংদা লৈবা দেপ্যুটি সী এম য়ুম্নাম জয়কুমারগী লাকপদা পুলিসনা থিংখি। মফম অদুদা মরুওইনা মণিপুর এসেম্ব্লী অথুবা মীফম অমা কৌহল্লু। ইন্দিয়াগী কাঙলুপ নাইবা থৌশিল মীয়াম্না য়ারোই। লৈঙাক্কী ফিরেপ মীয়ামদা লাউথোকউ, মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই, লোং লিভ মণিপুর হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি। তুংদা দেপ্যুটি সী এমদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি।

তুংদা কংলা পার্কতা লৈবা মহুদ এন্দ ফোরেষ্ট, ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারগী ক্বার্টরদা নুপীশিং অদু লাকপা মতমদা পুলিসনা গেটকী ৱাংমদা থৎখি। গেটকী ৱাংমদা নুপীশিং অদুনা তোঙান তোঙানবা খোল্লাউশিং লাউখি। মতুংদা নুপী লুচিংবী খরা চঙলগা মেমোরেন্দম অমা মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারদা পীশিনখি হায়রি।

মখা তানা নুপীশিং অদুনা সঞ্জেন্থোংগী ৱাংমা ওফিসর কোলোনিদা লৈবা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎকী ক্বার্টরদা লাকপদা পুলিসনা লম্বীদা থিংখি। মফম অদুনা নুপীশিং অদুনা লৈঙাক্কী ফিরেপ লাউথোকউ, মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই, ইন্দিয়াগী কাঙলুপ নাইবা থৌশিল মীয়াম্না য়ারোই, মণিপুর এসেম্ব্লী অথুবা মতমদা কৌহল্লু, লোং লিভ মণিপুর হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি। নুপীশিং অদুগী মরক্তগী খরা অহল ওইরবী লুচিংবী ৪/৫ মিনিষ্টর বিস্বজিৎকা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# নেসনল এৱার্দি ৩দা লাখ ৪.৪০ পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলুমস এন্দ টেক্সটাইলসনা শীন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটিদা মরিশুবা নেসনল হেন্দলুমস দে পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা অথুবা মতমদা মিসন ফোর ইকনমিক ইম্পাৱরমেন্ট ওফ ট্রেদিসনেল আর্টিসান্স/ক্রাফ্টসমেন (এম ঈ ঈ টি এ সী) লোঞ্চ তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি। নাৎকী ফিশাবীশিং মশানা মশাবু থবক পীজবগা লোয়ননা মখোয়না পুথোরক্লিবা পোৎথোকশিং য়োনফম লৈহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি। কুমজা ১৯০৫ দা হৌখিবা স্বাদেসি ইহৌ নীংশিংদুনা নেসনল হেন্দলুমস দে পাঙথোকপনি হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী ফিশাবী অমদি মখুৎ-মশা হৈবশিংনা পুথোরকপা পোৎথোক মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহনবগা লোয়ননা মীয়াম্না হেন্না পাম্নহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

ষ্টেট অসিদা ফিশাবী লাখ ৩.০৯ লোম লৈ হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিদা মহৌশাদগী হৌনা হেন্দলুম ইন্দষ্ট্রি অদুমক লৈরক্লে। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা ফিশাবীশিংগী তৌবা ঙম্বা পুম্নমক খঙবিবগা লোয়ননা চহী অসিদগী ইন্টিগ্রেটেদ ক্লষ্টর স্কিম হৌদোক্লগনি।

পাৱরলুম থোরক্লবসু হেন্দলুম ইন্দষ্ট্রি থোইদোক্না শিথরকপগী ৱাফম লৈরোই হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা হায়খি, হেন্দলুম অমসুং পাৱরলুমগী পোৎথোকশিং তোঙান তোঙাল্লি। লৈবাক অসিগী নুপীশিং মতিক ময়াই হাপকৎনবগী পান্দমদা প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা-গ্রামিন (পি এম এ ৱাই-জি) অমসুং প্রধান মন্ত্রি উজ্বালা যোজনা (পি এম য়ু ৱাই) নচিংবা সেন্ট্রেল স্কিমশিং পুথোরক্লে। হেন্দলুম দেলিভরি স্কিমনা মরম ওইরগা ফিশাবীশিংনা মতম ইচং চঙহন্দনা পোৎথোক হেন্না পুথোক্তুনা শেঙ্থোক হেনগৎহনবা ঙম্লগনি। মসিনা খুন্নাই অসি চাওখৎহনবদা মতেং ওইনরগনি।

ফিশাবীশিং থবক কন্না শুদুনা অনৌ-অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোরকপা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মথং চহীদগী লৈঙাক্না দিজাইন ...মখা লামায় ৩ কলম ৪






HL-P/5105/17/07-16/08


## এসেমব্লি সেসন ওগষ্ট ১৬ তা ফম্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ : ফ্রেমৱার্ক এগ্রী-মেন্টয়াওনা তোঙান-তোঙানবা ইস্যুশিং খন্নবগীদমক মমাংগী কেবিনেট মীফমদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফম থা অসিগী ১০ দা ফম্নবা ৱারেপ লৌখিবা অদু ঙসি ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমনা থা অসিগী ১৬ তা ফম্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। অনৌবা খোঙথাং অসি মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর লৈবাক অসিগী ৱাংমদা ওফিসল ওইবা খোঙচৎ অমা চৎখিবনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা য়েথোক্লবা ৱারেপ লৌবনি হায়না লৈঙাক্কী পাউ অমনা হায়রি।

## কারুনানিধী লৈখিদ্রে

চেন্নাই, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী):

টামিল নাদুগী মঙারক চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা দি এম কেগী প্রসিদেন্ট এম কারুনানিধী ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.১০ তাবদা অরোইবা য়াহিপ তানখ্রে। মশাগী চহী ৯৪ শুখ্রবা লুচিংবা অসি হকচাং ঙম্লক্তবদগী হৌখিবা জুলাই ২৮ দা কোবেরি হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরকখিবনি।

চেন্নাইদা লৈবা কোবেরি হোস্পিটালগী ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, হৈ-শিংলবা ডোক্টর অমদি নর্সশিংগী অচৌবা টিম অমনা ফনা কন্না হোৎনরবসু মীয়ামগী লুচিংবা কারুনানিধীগী পূন্সি কনবা ঙমদ্রে। ইন্দিয়াগী মতিক চাবা লুচিংবা অমা লৈখিদবদা ইমুং-মনুং অমসুং টামিল মীয়াম্না থেংনহৌরিবা অৱাবদা থম্মোয় শেংনা শরুক য়ারি হায়নসু হোস্পিটালগী চেরোল অদুনা ফোঙদোকখি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা কারুনানিধীগী হকচাংগী ফীভম কা হেন্না শোকচিল্লকখিবগা লোয়ননা মরুওইবা কয়াৎ অয়াম্বা তপ্না-তপ্না শিথরকখি। পাউ অসি তাবদা মশীং য়াম্লবা দি এম কেগী সপোর্টরশিংনা কোবেরি হোস্পিটালদা থুংলখিবগা লোয়ননা লুচিংবা অসিগী ফীভম ফগৎলক্লবা তাইবং ...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL-B/4781/7&4


